ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯌꯨꯝꯁꯀꯩꯁꯥ, ꯁꯦꯞꯇꯦꯝꯕꯔ ꯲꯱, ꯲꯰꯱꯶, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯰ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯱꯷꯲ ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
য়ুমশকৈশা, সেপ্টেম্বর ২১, ২০১৬, ইম্ফাল
৪০ শুবা চহী, ১৭২ শুবা মশীং

# মণিপুরদা বন্দ, ব্লোকেদ

## *উকিলশিংগী ৱাকৎ-খোঙচৎকী মহয় লৈগনি*

*সিভিল* সোসাইটি ওর্গনাইজেসন নৎত্রগা জোইন্ট এক্সন কম্মিটি হায়বনচিংবা ময়াম অমা শেল্লগা মণিপুরদা ঙাইহাক লৈতনা তৌরিবা বন্দ, ব্লোকেদ, জেনরেল ষ্ট্রাইক নৎত্রগা পব্লিক কর্ফিয়ুনচিংবা তৌরিবসি মালেমগী দিমোক্রেসি চৎপা মফম অমত্তদা তৌরমগনি হায়না নিংদে। করি মরমগীদমক অশুক য়াম্না তোয়না মণিপুরদা বন্দ, ব্লোকেদ তৌরিবনো হায়বগী ৱাহং লাকপা মতমদা লৈঙাক পুরিবশিংগী অশোয়বা লৈবদগীনি হায়বসিমদি শোয়দনা মীয়াম্না হায়নগনি। লৈঙাক হায়বসিদি মীয়াম্না পাম্বা খূদিংমক থবক্তা ওন্থোক্লবা হোৎনগদবনি হায়জরবসু মফম মতমগী মতুঙ ইন্না ঙমদবা, পাঙথোকপা য়ারোইদবা কয়ামরুমসু লৈফম থোকই। মীওই খরনা মখোয়গী য়াইফগনি হায়না লৌদুনা পীবা ঙম্লোইদবা দিমান্দ তৌবা হায়বসিসু অচুম্বা নত্তে। মফম অমদা ঈশিং পীদ্রে, লৈকায় অমদা মৈ ফংহন্দ্রে হায়দুনা মীয়ামগী তঙাই ফদবগা মরী লৈনবা বন্দ তৌবদদি মীয়াম্না থৱায় য়াওশিন্না উদে। অসিগুম্বা থৌওং অসিদা মরম চাবনি খল্লগনা বন্দ নত্তবা অতোপ্পা পাম্বৈ শিজিন্নরগা লৈঙাক্তা হেন্না কনবা শাফু পীবা য়াবা খোঙজং কয়া অমা লৈ। হায়রিবা খোঙজংশিং অদু চঙশিনবদা তঙাই ফদনা মীয়ামগী তেংবাঙ চঙই। অদুগুম্বা মীয়াম অদু পুথোকপা ঙমদবা নৎত্রগনা মখোয়না হায়বদা তাবীরোই খন্দুনা খ্বাইদগী লাইবা পাম্বৈ ওইনা বন্দ, ব্লোকেদ শিজিন্নরকই। মসিনা মীয়ামবু রেঙ্সমদা থল্লগা দিমান্দ অমা ফংননবা শাফু পীবা ওইরগদি মখল অসিগী খোঙজং অদু অরানবনি হায়দবা ঙম্লোই। লৈঙাক্লসু মরম চারগা মীয়ামগী অপাম্বদু পীথোকপা তাই। মরম চাদ্রগনা চপ চানা থেংনবা তাবনি। লৈঙাকপা হায়বসিমক্তবু অকল অরিং শীংলকপশিংদা হিংচাবগী মীৎয়েং য়েংগদবনি। পাম্বৈ লৈজদ্রবা কনাগুম্বগী মরম চাবা ৱাকৎ ওইরগদি লাইনিংবা অমগী মতৌ লৌরগা থোৎনা ইংনা মীওই অদুবু কোনখৎপীগদবনি। করিগুম্বা মতমদা গভর্ণমেন্ট অমা লৈ হায়বসি চীন্দা ফজনবা ঙাইহাক ঙাং শকপা নত্তনা থবক্লা উৎপসু ফগনি। বন্দ, ব্লোকেদ লৈহন্দবা লৈবাক অমা লৈহনবদা পুকচেল শেংনা মীয়ামগী থবক তৌবা অমসুং মতীক মথৌনা লৈবা লৈঙাক অমা মথৌ তাই হায়বসি মীয়াম্নসু খঙগদবনি।

মণিপুরদা ঙাইহাক লৈতনা বন্দ, ব্লোকেদ, জেনরেল ষ্ট্রাইক, টোটেল বন্দ, পব্লিক কর্ফিয়ু হায়বনচিংবা মমিং ওন-ওন্দুনা চথুবা খোঙজংশিং অসিনা মণিপুরগী শেন্মীৎলোনগী ফীভমদা কা হেন্না শোকচিলহল্লে। লৈবাক অসিগী নোংপোক্লোমদা য়েংবা থৌশিলগী মখাদা চথুবা হৌরক্লিবা লল্লোন-ঈতিক্কী থবকশিংদা মসিনা অকায়বা পীরক্তুনা য়ুমথংনবদা লৈরিবা লৈবাকশিংনা লল্লোন-ঈতিক তৌমিন্নবা য়াদবা কাঙবুনি হায়না লৌরক্কদ্রা হায়বা ফাওবা চিংনবা ফাওরক্লে। রিসোর্চ নিংথী-নুংঙাইনা লৈজদবা, নিরগা চারিবা মণিপুরীশিংনা মশাগী শেন্মীৎলোনগী ফীবম ফগৎহনগে হায়বা তারবদি মীনা হোৎনরিবশিং অদুদগী শরুক তঙ্খায় অমা হেনগৎনবা হোৎনবগী মথৌ তারিবনি। খোঙনা চৎপদা মতম য়াম্না চঙই হায়দুনা চেন্দুনা চৎনরক্লবা মতমসিদা ঐখোয়না থেঙ্গুগী মতৌগুম্না চৎলিবা খোঙচৎ অসিসু অমুক্তা তপথনবা খোঙদা নুঙদুম য়ানশিনবগী মতৌ অসি বন্দ ব্লোকেদনা ওইহল্লে। শেন্মীৎলোন্দা অকায়বা পীবতা নত্তনা ঐখোয়গী হ্যুমেন রিছোর্সতসু শাথিনা শোকহল্লি। বন্দ নৎত্রগা জেনরেল ষ্ট্রাইক তৌরকপদা ইসেন্সিএল সার্ভিসকী মনুং চল্লিবা মৈ, ঈশিং নৎত্রগা পাউমীশিং কোনশিলহন্দ্রবসু মহৈ-মশীন তম্বগা মরী লৈনবশিংদদি কোমথোকপা লৈত্রি। বন্দ তৌবদা মহৈরোয়শিং মহৈতম্ফমদা চৎচবদা নৎত্রগা মখোয়বু মহৈ তম্বীগদবা ওজা খরা লম্বীদা চৎচবদা করিবু অকায়বা লৈবগে? বন্দ নৎত্রগা ব্লোকেদ তৌরগা মখোয়না তাল্লিবা দিমান্দ খুদিংমক ফংখিবা লৈব্রা? জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট দিমান্দ কম্মিটি নৎত্রগা সদর হিলস দিষ্ট্রিক্ট দিমান্দ কম্মিটিনা চহী কয়াগী মমাঙদগী চথুরকখিবা বন্দনা মখোয়গী দিমান্দ ফংবা ঙমখ্রবরা হায়বা ৱাহংশিং অসি ঐখোয় পুন্না হংমিন্নরগা তুংগীদমক খল্লগা বন্দনা মহৈ তম্বগা মরী লৈনবশিংদা শোকহন্দবা হায়বা ফীরেপ অসি লৌফম থোকপনি। লৈঙাক্কী মখাদা থবক তৌরিবা এমপ্লোয়ীশিংদি মখোয়গী থাগী তলব কায়দনা ফংগনি। অদুবু নোংমগী শূরগা চারিবা মীওইনা চরা হেল্লগা অৱাবা খাঙলিবশিং অদুদি দিমান্দ তাল্লিবশিংনা নিংশিংবীদব্রা? লৈবাক অসিদা লৈরিবা মতু শোল্লবা মীয়াম্না লোগী মতেং ফংননবা হোৎনবা বন্দ ব্লোকেদনা পীরিবা চৈথেং অসিসু মখোয় খনফম থোক্তব্রা? মতাং অসিদা পঞ্জনিংবা ৱাফমদি অসিগুম্বা অৱাবা চৈথেং কয়া অসিগী মরক্তা ঙরাং মণিপুর ষ্টেট লিগেল সার্ভিসেস ওথোরিটি, অম্বা অমসুং হায় কোর্ট বার এসোসিএসনগী মখাদা লৈবা উকিলশিংনা চৎখিবা বন্দ, ব্লোকেদ তৌদনবা খোঙচৎকী মহয় ফংহন্নিংই। পাউচেশিংসু বন্দ, ব্লোকেদ তৌরকপগী মতাংদা সেন্সর তৌবা মতম য়ৌরক্লে হায়জনিংই।

## ••• এডিটরদা থারকপা চিঠি •••

### মীচম মীয়াম পূম্নমক ৱাখল তামিন্নরসি

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

**ভোট** ময়া নকশিল্লকপসিদা মফম খুদিংগী ইরাং লাংনরে। হন্দক্কী ভোটসিদি নহানমখৈগীদগী খ্বাইদগী কনবা ওইগদৌরি। হৌজিক্তগী হৌনা চাকচা হৈজানবা অমদি খৎন-চৈনবা থোকপগী পাউ তাবা হৌনরে। নকশিল্লক্লগদি করম তৌগনি। ভোটরশিংনা য়ারিবমখৈ কেন্দিদেটশিংবু পৈশা তিংহন্দনবা হোৎনমিন্নরসি। মখোয়দগী পৈশা লৌরগা চাকচা হৈজানবা, পৈশা লৌরগা ভোট থাদবগী হৈনবী থাদোক্লসি।


কেন্দিদেটশিং পৈশা য়াম্না তিংহন্দ্রগদি মখোয়না হয়েং কারবা মতমদা অরানবা থবক তৌরক্তবা য়াই। ভোটতা পৈশা য়াম্না তিংখ্রগদি মদু হঞ্জিন্নবা হোৎনবদা অরানবা থবক ময়াম অমা তৌরক্কনি। মীচম মীয়াম্না চাক চানগে হায়রবসু পৈশা খায়নরগা চানবিয়ু। মীচম মীয়াম অমদি পোলিটিকেল পার্টিশিংসু পৈশা লৌবা অমদি য়েনবগী ৱাখল থাদোক্তুনা তশেং তশেংবা মীখল ওইহনসি।

শিরগা লোইরবা মীওইবগী মপোক্লি। শিবদা করিমত্তা পুবা য়ারোই। মরম অদুনা শেঞ্জা থুমজা মুখৎপা হায়রবদি মীচম মীয়ামগী খূৎতা লৈরে। লৈবাকসি অমুক্তদি ইং-তপ্পা, শান্তি লৈবা, তংদু লৈতাবা খুন্নাই অমা ওইহনসি হায়বা ৱাফম থমজরি।

*অদোমগী - নিরমালা রাজকুমারি*

**হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-২২**

১। অইবী তখেল্লম্বম থোইবী করি লাইরিক্তা ষ্টেট কলা একাদেমী এৱার্দ ফংখিবগে?
২। ''ভূত অমা লৈরমই ঐগী ইনাক্তা/ অয়ূক নুংথিল নুমিদাং/ ঐগী ইতুং কোয়-ইন ইন্নে'' কবি কনানা হায়বনো?
৩। 'লৈকংলাগা শকখঙনবা' লমকোয়ৱারী অসিগী অইবীদু কনানো?
৪। 'হৈ খুনবা' মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপনো?
৫। হাপ্লিবা শক্তম অসি কনাগীনো? ☞



ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম সেপ্টেম্বর ১৬, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি।

পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা খুদোলপোৎ পীজগনি।

# অনৌবা সিষ্টেম অমা মথৌ তারব্রা?

### চাইথোরকপা ৱাখল

**নরেন্দ্র নিঙোম্বা**


অনাবনা অনাবা ফনিংবা, চাক লান্নবশিংনা চাক চানিংবা মসিদি মহৌশানি। চহী খরা অসিদা অনাবশিংগা ডোক্তরশিংগগী মরক্তা ৱাখল তামিন্নবা ৱাৎপা থৌওং কয়া থোকপা হঞ্জিন-হঞ্জিন্না তারবা অমনবা ৱারী ওইরে। অনীদুগী মরক্তা অশোয়বা অরানবা অমদি শোয়দনা য়াওরমগনি। ইকুবোল্লা ঐরা অমগী মনুংদা থোরাইমচা অমা য়াওরে হায়নবদুগুম্বনি। ডোক্তরশিংসু মীনি, অনাবসু মীনি অনাবদু পুরক্লিবসু মীনি। মী মশেলগী মরক্তা অসুক য়াম্না ৱাখল তামিন্নদবা, অমনা হায়বা অমনা তানদবা হায়বসি সিষ্টেমদা শোয়রিব্রা নৎত্রগা করিদনো হায়বসি মরী লৈনবশিংনা কূপ্না নৈনবা চঙই। অনাবা পুখৎলক্লিবশিংসু পেন্দবা লৈরমগনি, মখোয়দুবুসু ৱাখল তাহনবা হায়বসি অনাবদু য়েংলিবা ডোক্তর অদুগী মথৌ ওইফম থোকই। ডোক্তর তম্বা মতমদা সেলেবস অমা ওইনা য়াওদ্রবসু, করম্না পেসেন্টশিংবু লোইনগদগে, প্রোফেসনেল ইথিক্স মশক খঙনা অমদি পব্লিকশিংগা করম্না পাউ ফাওনগদগে হায়বা ডোক্তর পাস তৌরবশিংদা সেসন অমা তৌদুনা তম্বীবা চুমগনি। এম সি এস ওইগেরা আই এ এস ওইগেরা কম্পিটিটিভ ইগজামদা মায় পাক্লবশিং থবক পায়দ্রিঙৈগী মমাঙদা তৌগদৌরিবা থবক অদুগী মতাংদা অখন্নবা ত্রেনিং তৌনরি। মদুদগী হেন্দোক্তুনা ওফিসিএল ৱর্ক করম্না তৌগদগে হায়বা ষ্টেট একাদেমি ওফ ত্রেনিংদা ত্রেন তৌনরি, পূম্নমকশিং অসি ডোক্তরশিংদসু তৌবদা য়াম্না চোপ্পা তাগদ্রা ? তৌবা য়াদে হায়বা লৈব্রা ? অনাবা য়েংবদুনা অমা ওইরবসু অনাবগা লোয়নবা অমদি অনাবগী কাঙবুগা পাউ ফাওননবা করম্না তৌগদগে হায়বা অসি ওইরক্লিবা হৌজিক্কী মতম অসিদদি মথৌ নীংথিনা তাই হায়না মায়কৈ কয়াদগী ফোঙদোরকপা লৈখ্রে।

রিমস হোস্পিটাল লমদম অসিদদি য়াম্না মমিং লৈবা এইমসকী থাক্তা পুখৎনবা হোৎনরি হায়না তাজবা ষ্টেটসিদা লৈবা অনা-লায়েংশঙ অমনি। অনা লায়েংশঙ অসিগী ইমর্জেন্সি সার্ভিস পীরিবা কেজুএলিটি দিপার্টমেন্টতা করম্না অনাবশিংগা ডোক্তরশিংগা লোইনরিবগে হায়বসি ওথোরিটিগী মায়কৈদগী কূপ্না য়েংশিনবা মথৌ ফজনা তাই। ডোক্তর মশীং ৱাৎপ্রা? অনাবগী এটেন্দেন্স হেনগৎলকপনরা অথু-অকায় অমদি অশোক-অপনগী পুখৎলকপা পেসেন্টশিংদা ডোক্তরশিংনা পীরিবা মখোয়গী সার্ভিস অসি পেন্নীংঙাই ওইব্রা হায়বা অসি নৈনফম থোকই। মী খুদিংমক চপ মান্নবা পেলহনবা হায়বা অসিমদি ওইথোকপবুদি য়াবা হৌনদে, অদুম্নমক্তি ওইরগা করম্না পেসেন্টশিংদা মান্নবা মিৎয়েংদা লায়েং পথাপ চথগদগে হায়বসি তঙাইফদনা খন্নবা মতম ওইরে। এক্সিদেন্ট অমগী পুখৎলকপা ঈ অরর তাদুনা শোক্লবা অনাবা অমা ডোক্তর শঙদে হায়দুনা শাংলবা মতম অমা য়েংদনা থম্বা হায়বসি চুমগদ্রা? কেজুএলিটিগী মনুংদা নোংমদুগী ডোক্তর কনা কনা তারি হায়বা খঙনবা মমিং মথা ইদুনা থেৎপা চুম্মী। ডোক্তরশিংগী এপ্রোন্দা মমিং মথা ইদুনা ডোক্তরশিং অদুবু খঙনবা হোৎনফম থোকই। মেদিসিনগী ডোক্তরনা অতোপ্পা পেসেন্ট অমত্তা য়েংদে। সর্জরিগী ডোক্তরনা অতোপ্পা পেসেন্ট অমতা য়েংদে। অদুদি অশোক অপন্নচিংবা য়াম্না তোইবা মতমদা সর্জরিগী পি জি ডোক্তর অমা অনী তাবদুনা অতোপ্পা পেসেন্ট য়েংলিঙৈদা পুখৎলক্লিবা অনাবা অতৈ য়েংদনা থম্বা হায়বসি পেন্নিংঙাই ওইদে। অনাবা মরি মঙাগা মতম অমত্তদা লাকপদা খূৎতরা পান্দবা ডোক্তর অমনা অমুক্তদা য়েংবা য়াবা হৌনদে। অদুনদি পেসেন্টশিং অদু ডোক্তরদুনা শাংবা ঙাইবা তাবনি। ডোক্তরদুসু পেসেন্ট য়ামখৎলকপা মদুসু ইমর্জেন্সি ওইবা ঙাক্তা ওইবনিনা তৌফম খঙদবা তাবনি। মতাং অসিদা ওথোরিটিগী মায়কৈদগী লৌখৎপা য়াবা থৌরাংশিং করিনো হায়বসি খন্নফম থোকই হায়না মীয়ামগী মায়কৈদগী হায়নরক্লিবসি। পেসেন্টগী এটেন্দেন্স হেনগৎলবদি হোক্তর মশীং তঙাইফদনা হেনগৎপা মথৌ তাই। অমরোমদা কেজুএলিটিগীদমক অখন্নবা হাওস ওফিসর খরা মতম মতমগী খন্দুনা থবক তৌল্লি হায়না তাই। মখোয় অদুনা করম্বা অনাবা য়েংগদৌরিবনো? এক্সিদেন্টকী পেসেন্ট অমা পুখৎলকপদা সর্জরিগী ডোক্তর ঙাইদুনা অনাবদু অদুম য়েংদনা থম্বা হায়বসি চুম্বরা? অতোপ্পা মখলগী অনাবা য়েংনবা ডোক্তর ময়াম অমসু ফমদুনা মোবাইল ফোন মেৎতুনা নৎত্রগা মখোয় মশেল ৱারী শাদুনা লৈবা অদুম উই। মরমদি মখোয়গী পেসেন্ট লাক্তবনা। ময়াম মমাঙদা অনাবা য়েংদনা ফমদুনা লৈগদবা ওইরবদি মখোয়গী রুম অমা তোঙান্না শেল্লগা থম্বীবনা হেন্না চুমগনি। মমাঙঙৈদদি কেজুএলিটিগী ডোক্তরশিংনা অনাবা খুদিংমক য়েংলগা মথৌ তারকপদা মরী লৈনবা ডোক্তরশিংদা হায়রগা শিন্দোক শিঞ্জিন তৌদুনা য়েংনরম্মী। হৌজিক্লা অনাবা অমা হেক পুরকপগা সিদি অদুনা য়েংগদবনি অদানা য়েংগদবনি হায়না ঙাইহন্দুনা অদুম থম্মী। অতৈ ডোক্তরশিং অদুনা ফমদুনা লৈথোক্লরি। মদু উবদা খঙজদবা মীয়াম্নদি ডোক্তরশিংনা ফমদুনা লৈথোকই হায়না হেন্না ৱারৌবা অমদি ৱারু নুংজু থোক্লবা মরম ওইহল্লি। মদুদগী মরম চাবা চাদবা থিদনা ৱারৌবা পেসেন্ট পার্টিগা ডোক্তরশিংগগী মরক্তা ৱাহৈ ৱাতা কন্নরকপা কেজুএলিটিদা তোইনা থোক্লি। ডোক্তর লাইদি নত্তে, অনাবা খুদিংমক ডোক্তরনা শোয়দনা ফহনগনি হায়বগী অকক্নবদি লৈফম থোক্তে। মসিসু পেসেন্ট পার্টিনা খঙফম থোকই। তৌবতবু মায়কৈ খুদিং তূন্না য়েংলগা নাকল অনীমক্লা মশা মশাগী তৌফম থোকপশিং নিংথিনা মথৌ পাঙনরবদি লোইনমক্কী অফবা ওইফম থোকই।

নুমিদাংদা কেজুএলিটিদা দ্যুটি তারিবা নর্সিং ষ্টাফশিং মশীং কয়ানো? চাওরাক্লা তরুক তরেৎনি হায়না খনবদা তরুক্তুনা নুমিদাংদু মপূং ফানা থবক তৌব্রা, তঙ্খাই অমনা পোখারগা মতম থানরগা অমুক হৌগৎলগা তঙ্খাই অমা অমুক পোত্থানবগী রুটিন শেন্দ্রা? মী চিল্লকপা মতমদদি নর্সিং ষ্টাফ অনী অহুম্না ময়াম অদুগী নীংবা থুংহনবা ঙম্বা হৌনদে। ৱারবদি মীসি শাউরকই। শাউরবদি ইশৌ লাঙকই। ষ্টাফ নর্সনা ইশৌ লাঙলবদি লাক্লিবা পেসেন্ট পার্টিগী মরক্তসু ৱারৌনবা হেনবগী মৈরি চুখৎলকই। মদুদগীদি পামদবা ৱাথোকশিং থোরক্লবগী মরম ওইরকই।

থমজনিংলিবা ৱারুদি ওথোরিটিগী মায়কৈদগী ইমর্জেন্সি সার্ভিস অসি হেন্না ফগৎহন্নবা অখন্নবা থৌরাংশিং লৌখৎনবা করি করম্বা কাঙলোন অমা শীজিন্নগদগে হায়বা অসি নৈনফম থোকই। মীশিং য়ামখৎলকপনা অনাবা মশীংসু হেনগৎলকই। অনাবা মশীংগা দ্যুটি তারিবা ডোক্তরশিং নর্সকগী মশীংগা চানরিব্রা মোনিটর তৌবা মথৌ তাই। করিগুম্বা মদুদা ৱাকাই য়াওনরক্তুনা খূৎ-শা য়াওনরকপা অমদি ৱাহৈ কান্নরকপদদি ডোক্তর ময়ামশিং হৌদুনা অনাবা য়েংদবগী, ও পি দি থিংবগী, কেজুএলিটি থিংবগী খোঙথাং লৌখৎলক্কনি। মদুনা অমুক হেন্না খোইরাং খোইশাউনবা থোকহল্লি। তিঙ্খাং লৈবা লম্বীদা চৎলবদি তিঙ্খাং য়ুবা হায়বসি মশানা তাবনি। তিঙ্খাং লৈবা লম্বীদুদা চৎকে হায়রদি চেকশিন্না চৎপা নৎত্রগা লম্বী হোংলগা চৎপা হায়বসিদদি য়েৎনীংঙাই লৈতে। ডোক্তর অমদা পেসেন্ট পার্টিগা মুক্লবা থোরকপদা ডোক্তর ময়াম পুল্লপ হৌদুনা অনাবা য়েংদবগী খোঙজং হেক হেক তৌরিবসি ডোক্তরশিংগী মায়কৈদগী ফনা চুল্লবসু মীয়ামদদি খুদোং চাদবা মপৈ মপৈ থোকহল্লি। পূম্নমকশিং অদু থোক্তনবা অনৌবা কাঙলোন অমা ওথোরিটিনা শেম শাবা মথৌ তারব্রা হায়বসি লুথনা খনফম থোকই। সিষ্টেম অমা কুম চুপ্পা শুম চৎনগদবনি হায়বা লৈতে। হেন্না ফগদবা মওংদা মতম মতমগী মতুং ইন্না অনৌবা সিষ্টেম শেম্বা হায়বসি অশিংবশিংগী থৌশিল ওইফম থোকই।

# নুংশা মঙাল নৎত্রগা নুংশিৎকী শাহুম ফংবদা ইলেক্ট্রিক পুথোকপা ঙম্বা ফি




ত্রাইবোইলেক্ট্রিক জেনেরেতর অমদগী ইলেক্ট্রিসিতি থোকহনবগী মওং তাকপা



ত্রাইবোইলেক্ট্রিক নানোজেনেরেতর য়াওরবা ফি খুদাংদা শিবা

### সাইন্সকী খোঙচৎ

**কুঞ্জো নাওরেম**



ত্রাইবোইলেক্ট্রিক নানোজেনেরেতর তুশিল্লবা শামতুগী ফি

থিজিন-হুমজিনবগী থবকসিনা অসুম নোংম-নোংমগী খুমাং চাওশিল্লকপগা লোয়ননা থাজদবা কয়া লেপ্পা নাইদনা পুথোরক্লি। মখোয়গী মনুংদা তোপ-তোপ্পা মগুন চেনবা ফি (ফেব্রিক) শিংসু য়াওরি। নোং তাবদা চোক্তবা ফি, শুদনা নুংশাদা ফৌদোকপদা অমোৎপা কোকচবা ফি, হু ওইবা কেমিকেলশিংদগী ঙাকথোকচবা ঙম্বা ফি (ওগষ্ট ৩, ২০১৬ দা ইজখিবা), লিংলিবা মীবু উহন্দবা ঙম্বা ফি অসিনচিংবা কয়া পুথোকখ্রে। ঙসিগী অসিনা নুংশা মঙাল, নুংশিৎ নৎত্রগা লেং-ওৎপনা মরম ওইদুনা ইলেক্ট্রিক পুথোকপা ঙম্বা ফিগী মরমদনি।

ইলেক্ট্রিক পুথোক্লবগী কাঙলোন কয়ামুক লৈ। মখোয়গী মনুংদা ত্রাইবোইলেক্ট্রিক ইফেক্ট অমসুং ইলেক্ট্রোষ্টেটিক ইন্দক্সনসু য়াওরিবনি। ত্রাইবোইলেক্ট্রিক ইফেক্ট হায়বসি অকক্লবা পোৎ অনী তক্লরগা পোৎশিংদুদা ওন্ন-তৈনবা চার্জ পুরকপবু খঙনৈ। খুদম ওইনা শমজেৎনা শমদা তকপদা শমজেৎনা নেগেটিভ চার্জ পুরক্লগা শম্না পোজিটিভ চার্জ পুরকই। মসি করিদগী থোক্লিবনো? শমগা শমজেৎকা তক্লবদা শমদগী ইলেক্ট্রোনশিংনা শমজেত্তা চেনশিনখি। অদুনা শমদা নেগেটিভ চার্জগী অৱাৎপা লৈহৌই হায়বদি পোজিটিভ চার্জ পুরকই অদুগা শমজেৎতনা নেগেটিভ চার্জ হেন্না য়াওহৌই হায়বদি নেগেটিভ চার্জ পুরকই। অসুম্না তক্লরগা ইলেক্ট্রিসিটি থোকহনবগী থৌওংসিবুনি ত্রাইবোইলেক্ট্রিসিটি হায়রিবসি। ঐখোয়না শমতুগী ফুরিৎ লিৎলুরগা নুমিদাং লৌথোকপদা স্পার্ক অমসুং মখোল থোকপা থেংনরিবদুমক ইফেক্টসিনা থোকহনবনি। ইফেক্টসি ইহান হানবগী ওইনা, ঙসিদগী চহী লিশীং অনী চামঙামুক্কী মমাঙদা 'থেলিজ ওফ মাইলিটস' হায়না খঙনবা গ্রীক্কী ফিলোজোফরসিনা থেংনখিবনি। 'ত্রাইবো' হায়বগী ৱাহন্থোক্লা 'তক্লবা' হায়বনি। ইলেক্ট্রোষ্টেটিক ইন্দক্সন হায়বসিসু ঐখোয়না থেংনরবা থৌওংনি। শমদা তক্লরবা শমজেৎ অমদা অপিকপা চেজেৎশিংনা নপশিল্লকই। নেগেটিভ চার্জ পুরবা শমজেৎতুনা চার্জ পুদবা চেজেৎশিংগী মনাক্তা থল্লুবদা শমজেৎকা নক্লরিবা চেগী শরুক্তুদা পোজিটিভ চার্জ পুহল্লকই, অদুনা চিংশিল্লকই। মসিবু ইলেক্ট্রোষ্টেটিক ইন্দক্সন হায়না খঙনৈ। ইন্দক্সনসি ব্রিটিশ সাইন্টিষ্ট জোন কান্টন অমদি স্বিদিস প্রোফেসর জোন কার্ল ৱিল্কিনা পুথোকখিবনি।

হৌজিক ঐখোয়না শীজিন্নরিবা ইলেক্ট্রোনিক্কী পোৎশিংসিগী অফবা মগুন কয়ামুক লৈরে অদুবু অৱাৎপসু লৈতবদি নত্তে। খুদম ওইনা মোবাইল ফোনশিংগী লুম্বগী চাং হন্থহনবা, চার্জ তৌবগী মতম তেলহনবা, কোন্থোক-কোনশিন, থুপতোক-থুপচিন য়াহনবা অমসুং সোলরগুম্বা রিনেৱেবল সোর্সশিংদগী চার্জ তৌহনবা য়াবা অসিনচিংবা পনবা য়াই। মসি ঙসিসু চেলেঞ্জ অমা ওইদুনা লৈরি। অদুবু নোংম-নোংমগী ফীভমদি ফগৎলক্লি। খুদাংদা শিবা য়াবা, ফি-রোলদা তুশিনবা য়াবা ইলেক্ট্রোনিক্কী অপীকপা খূৎলায়শিং পুথোক্লবগী মরমদা মখা তানা থিজিন্দুনা লাক্লি। 'নেচর এনর্জি' (সেপ্টেম্বর ১২, ২০১৬) দা ফোঙখিবা পাউদম অমগী মতুং ইন্না জর্জিয়া ইনষ্টিট্যুট ওফ টেক্নোলোজিগী থিজিল্লোয়শিংনা নুংশা মঙাল, নুংশিৎ নৎত্রগা হকচাং লেং-ওৎপদগী ইলেক্ট্রিসিটি পুথোকপা ঙম্বা ফিদা তুশিন্দুনা হাপ্পা অপীকপা খূৎলায় অমা শেমগৎপা ঙমখ্রে হায়রি। মসিদগী থোরকপা ইলেক্ট্রিসিটিনা মোবাইল, স্মার্ট ফোন অমদি গ্লোবেল পোজিস্নিং সিষ্টেমশিং চার্জ তৌবদা শীজিন্নবা য়াগনি।

জর্জিয়াগী থিজিল্লোয়শিংনা পুথোরক্লিবা ত্রাইবোইলেক্ট্রিক ইফেক্ট অমদি ইলেক্ট্রোষ্টেটিক ইন্দক্সনগী পাম্বৈ শীজিন্নরিবা কা হেন্না পীকপা জেনেরেটরসিবু ত্রাইবোইলেক্ট্রিক নানোজেনেরেটর হায়না খঙনৈ। ত্রাইবোইলেক্ট্রিক নানোজেনেরেটরসি কুমজা ২০১২ দা জর্জিয়া টেক স্কুল ওফ মেটরিএলস সাইন্স এন্দ এঞ্জিনিয়ারিংগী প্রোফেসর জোং লিন ৱাংনা পুথোকখিবনি। জেনেরেটরসিগী মনুংদা য়াওবা সর্কিট (ইন্নর সর্কিট) তা কা হেন্না পাবা ওর্গানিক নৎত্রগা ইনওর্গানিক্কী মরোল অনীনা এনোদ অমদি কেথোদ ওইহল্লি। নুংশিৎকী শাহুম ফংদুনা নৎত্রগা হাই-হুম্বা অমদি লেং ওৎপদগী মরোল অনীসিগী মরক্তা তক্লদুনা ত্রাইবোইলেক্ট্রিক ইফেক্টনা পোটেন্সিএল দিফরেন্স অমা থোকহল্লি। অদুগা মপান্দা য়াওরিবা সর্কিট (আউটর সর্কিট) তনা পোটেন্সিএল দিফরেন্সনা মরম ওইদুনা এনোদতগী কেথোদলোমদা ইলেক্ট্রোনশিংনা চেলহল্লি। অসুম্না নুংশিৎ নৎত্রগা লেংবদগী ইলেক্ট্রিক করেন্ট থোকহল্লি। নুমিৎ মঙালদগী ইলেক্ট্রিসিটি লৌননবগীদমক্তদি থিজিল্লোয়শিংনা লংগী মওংদা শেল্লবা ফোটোএনোদ শীজিন্নৈ। অদুনা মসি ফি অমদা তুশিনবা য়াই। ফোটোএনোদশিংসি হান্নদগী হৌনা সাইন্টিষ্টশিংনা শীজিন্নরক্লবনি। মসি মরু ওইনা নুমিৎ মঙালনা ঈশিংবু থুগাইহল্লগা হায়দ্রোজেন গ্যাস শুংবগী থবক্তা শীজিন্নৈ।

ৱাংনা লুচিংখিবা থিজিল্লোয়শিংনা ইলেক্ট্রিসিটি থোকহনবা ঙম্বা ফিসি শাননবগীদমক য়াম্না য়াংবা পোলিমরগী ফাইবরশিংনা শেম্বা লং শীজিন্নখি। মসি হৌজিক হৌজিকমক মীয়াম্না শেৎন-চানরিবা ফিগী ফাইবর মখল অমনি অদুগা মসিনা অকোয়বগী ফীভমদা শোকহনবসু তৌদে হায়রি। ত্রাইবোইলেক্ট্রিক নানোজেনেরেটরশিংদসু ফাইবরশিংনা শেম্বনি। পোলাং, য়াংকোক্লুম্বা শাবদা পৈয়াশিংনা লোল্লিবা অদুম্না, ফিশাকোন অমগী মতেংনা লংশিংসিগা নানোজেনেরেটরশিংদুগা তুশিন্নৈ। অসুম্না তুশিল্লবা ফিসি অদুক্কী মতিক পাখ্রে মদুদি থাবগী চাংসি মাইক্রোমিটর ৩২০ খক্তমক ওই। হায়রিবা ফিসি শামতুগী লংগা অমুক হন্না তুশিন্নহল্লগা পর্দা, শেৎ-চাননবা, কর্নাট নৎত্রগা শমিয়ানানচিংবা শাননবা ফি ওইনা শীজিন্নবা য়ারে।

জর্জিয়াগী থিজিল্লোয়শিংনা হীরমসিগা মরী লৈননা চাংয়েং কয়ামুক পাঙথোকখ্রে। মখোয়গী মরক্তগী চাংয়েং অমদা জেরোক্স তৌবদা শীজিন্নরিবা চেমুক পাকপা ফি অমদা মখোয়গী ত্রাইবোইলেক্ট্রিক নানোজেনেরেটরদু তুশিল্লি। মসি মচু কয়ানা লৈতেংলবা ফিরাল অমগুম্মী। লোয়ননা ফিরাল থেৎপগুম থেৎপা য়াননবা শেম্মী। অদুনা কার, য়ূম অমদি ওফিসকী থোঙনাউদা য়াম্থদুনা থম্বা য়াই। নুমিৎ মঙালনা য়ৈবদা ফোটোএনোদশিংনা মঙালবু করেন্টদা ওন্থোকই। নুংশা মঙাল ফংদ্রগসু নুংশিৎ শিৎপা নৎত্রগা কারদুনা থৌবা মতমদা হুল্লকপা নুংশিৎনা লেংবদগী করেন্ট চেল্লকই। মঙালসু ফংবা নুংশিৎসু শিৎলগদি হেন্না চাওবা করেন্ট ফংবা ঙম্মী। ফিসিনা তুবা ফিজোলশিং শেৎ-চাবদা লেংবদগীসু করেন্ট থোকহনবা ঙম্মী। মখোয়গী জেনেরেটরসিনা পুথোরক্লিবা ভোল্টেজসি ওন্নবগীদমক থিজিল্লোয়শিংনা সেন্টিমিটর ৪ পাকপা, সেন্টিমিটর ৫ শাংবা হায়বদি পাসপোর্ট ফোটো অমমুক পাকপা ত্রাইবোইলেক্ট্রিক নানোজেনেরেটর শীজিন্নখি। নুংশাসু শাবা নুংশিৎসু শিৎপা মতমদা নানোজেনেরেটরসিনা মিনিট অমদা মাইক্রোফেরাদ অনীগী (2 mF) কেপাসিটর অমবু ভোল্ট অনী য়ৌনা চার্জ তৌশিনবা ঙমখি হায়না নেচর এনর্জিগী পাউদমদুদা ফোঙদোক্লি।

হৌজিক হংবা য়াবা ৱাহং অমদি : ফিদু লৌথোক-লৌশিন তৌবা, শুদোক চামথোকপা নৎত্রগা নোং চোৎপদা অকায়বা লৈতব্রা হায়বসিনি। ত্রাইবোইলেক্ট্রিক নানোজেনেরেটরসি য়াম্না ফ্লেক্সিবল ওই। অদুনা লৌথোক-লৌশিন তৌবদা অকায়বা অমত্তা থোক্লোই হায়না ৱাংনা ফোঙদোক্লি। অদুবু শুদোক-চামথোকপা, নোংনা চোৎপদা অকায়বা থোক্তনবগীদমক্তদি ৱাটর প্রুফ ওইবা পোৎনা য়োমশিনবগী মথৌ তারি। মদুগী থবক্তি অরুবা অমা ওইদ্রে হায়রি। অসিগুম্বা ফিদা হাপ্লিবা নানোজেনেরেটরগী চাওবগী চাং হেনগৎহল্লগা ঘড়ী, মোবাইল ফোন্নচিংবা চার্জ তৌবদা শীজিন্নবা য়াগনি। অতোপ্পা অমরোমদনা ঈশিংবু থুগাইদুনা হায়দ্রোজেন গ্যাস ফংবদসু শীজিন্নবা য়াগনি।